**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-12-2025)**

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-২০২৫ না ভারতবাসি খুদিংমক্তা চাউথোকচনবগী মীকুপ কয়া পীরি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মন-কি-বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক্কী সুরক্সাদগী হৌরগা শান্ন খোৎনবা ফাওবদা, সাইন্স লেবোরোটোরিদগী মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা প্লেটফোর্মশিং য়াওনা লম খুদিংমক্তা ভারতনা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অচৌবা খুদম থন্বা ঙম্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদগী মোইরাংথেম সেথনা সোল্লর পৱার পেনেলশিংগী মতেংনা মৈ পুথোক্তুনা মহাক্কী খুঙ্গংগী ইমুং কয়াদা মৈ ফংহল্লিবা অমসুং হেলথ সেন্টরশিং য়াওনা নুপীশিং, মফম অদুগী ঙা ফাবা মীওইশিং অমদি আর্টিষ্টশিংদসু মসিনা চাউনা কান্নবা ফংহল্লি।

মনিপুরগী চুরাচান্দপুর জিলাদগী মারগ্রেট রমথার সিয়েমনা হেন্দিক্রাফটস আর্টিষ্ট অমা ওইনা মহাক্কী কাংবু অমা শেমগৎতুনা দিল্লি য়াওনা মফম কয়াদা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং য়োল্লিবা অদুবুসু প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী মন কি বাট থৌরমদা থাগৎখি।

সেনাপতি জিলাগী রিখুমাই তাফৌ ভিলেজতগী চোখোনে ক্রিচেনানা লৈ থাদুনা কৈথেলশিংদা য়োনবগা লোয়ননা মফম অদুগী মীয়ামগী শক্তি হেনগৎহল্লিবা অদুবুসু প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী মন-কি-বাটতা পনখি।

প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ভারতকী থাজবগী খ্বাইদগী চাউবা পাঙ্গলদি ঐখোয়গী নহাশিংগী থৌনা অসিনি। লৈবাক অসিনা বিগ্যানগী লমদা অনৌবা মীংচৎ কয়া পুরকপা, অনৌবা ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজি

চাওখৎলকপনচিংবা কয়া অসিনা ভারতপু মালেমগী লৈবাকশিংনা শিংথানবা হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা চহি ৭-৮ অসিদা স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোনদা মহৈরোই লাখ ১৩ অমদি ইন্সটিট্যুট লিশিং ৬ লোম শরুক য়াখ্রে হায়রদুনা নহাশিংনা সমস্য চামা চামা কোকহনবা ঙমখ্রে হায়নসু প্রধান মন্ত্রি মহাক্কী পুকিংগী ৱাদা শিংথাখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-খুদোংচাবশিং মফম শিনবা থুংনা ফংহল্লবা অমসুং নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎহনবা ঙমগনি।

সেনাপতি জিলাগী পুনানামৈদা ঙসি মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৯২ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-সেনাপতি জিলা অসি লৌউ শিংউ, হৈ-রা থাবা, হেন্দিক্রাফটস, শান্ন খোৎনবা অমসুং ইকো টুরিজমগী মচাক মথুম মরাং কায়না লৈবা জিলা অমনি।

লম্বী থোং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা ফগৎহল্লবদি জিলা অসিদা লম কোইবা মীওইশিং হেন্না লাকহনবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা খুৎশা-হৈবগী পোৎথোক অমদি লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং মফম মতম চানা য়োনবা ঙমদুনা মফম অদুগী মীয়ামগী শেন্থোক হেনগৎহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ-এল. দিখো, এন.পি.পি. মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-ডা: লোরহো এস. ফোরজে অমসুং সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমদি এস.পিনচিংবা শরুক য়াখি।

**শুমাং লিলা (এল)ঃ** ২২ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৫ ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হৌখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিনবা কুম্মৈ অসিগী হৌদোকপগী

থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার ঐচ. গ্যানপ্রকাশনা হায়-শুমাং লীলা হায়বসি খ্বাইদগী লুবা আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা অমনি। লমদম অসিগী তাংলবা আর্ট ফোর্ম অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নবসু মহাকা হায়খি। শ্রী গ্যানপ্রকাশনা মনিপুরদতা নত্তনা মালেমগী থাক্তা আর্ট অসিবু মশক তাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিগী দাইরেক্তর পি. বিলাস সিংহ শরুক য়াখি। মথং থাগী ৭ ফাওবা চথুগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা পুন্না শুমাং লিলা ৯ উৎকনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পোকলেন পোকপা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা ‘ঐনা হেল্লি নুংশিবা’ উৎখি।

**য়ুপিএফ(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি হায়বা ৱাখল্লোনদা মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিংবগী থৌরম-রিকসোলিদেসন ডে লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

ঙসিসু অগরতালাগী রাধানাগরদা লৈবা রাধামাধব মান্দপতা চহি তরেৎ খুন্তাকপগী নিংশিং থোরম পাঙথোকখি। ত্রিপুরা মনিপুরি ষ্টুদেন্টস য়ুথ কো-ওর্দিনেসন কমিতিগী মরিশুবা জেনরেল কনফরেন্সকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ু.পি.এফকী লুচিংবশিং অমদি মফম অদুগী মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস লিংখৎখিবগী ১৪১ শুবা পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা সি.এল.পি. লিদর-ও. ইবোবী, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্

দ্র অমসুং হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-গাইখাঙম য়াওনা কংগ্রেস লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

থৌবাল জিলাদসু ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস লিংখৎখিবগী মপোক কুমওন থৌরম জিলা অসিগী ৱাংবলদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**রিমস(এল)ঃ** দোন্নরস ওর্গান, সেফ লাইফস হায়বা ৱাখল্লোনদা ওর্গান দোনেসনগা মরী লৈনবা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং মনিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন্ট বাইকিং এসোসিয়েসনগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লি অদু রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মানা রিমসকী জল্লি হোলদগী লমথাখি।

**এলুমনাই (এল)ঃ** দিল্লি মনিপুরি পাঙল এলুমনাই এসোসিয়েসনগী অহানবা মীফম ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা থবক তৌরিবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**কেম্প (এল)ঃ** রোটরি ক্লব ইম্ফাল, রোটরি ইন্টরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট লিশিং ৩,২৪০ না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ঙসি ককচিং ৱাইরি খুঞ্জামপাৎ গ্রাউন্দদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৩২০ লোম লায়েংখি।

**ককচিং(এল)ঃ** ওল মনিপুর নুপী মরুপনা শিনদুনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা ৮৬ শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিংগী সি.পি.আই.

ওফিসতা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-সঞ্জেনবম সোরোজিনি অমসুং মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সোইল (এল)ঃ** ইরাবত ফাউন্দেসন মনিপুর অমসুং সমরাম মমাং ইকোক নিংথৌ লাইবুং অনিনা পুন্না শিনদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী সমরামদা নোংমগী ওইবা লৈবাক লৈহাওগী মতাংদা লৌমীশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোইল হেলথ কার্ড ৭৫ লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি করনাতক্কী কলৱার নেভেল বেজতা আই.এন.এস. ভগ্যাশ্রী সবমেরিনদা তোংখ্রে।

নেভেল ষ্টাফকী মকোক-এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাথিসু রাস্ত্রপতিগা লোয়ননা সবমেরিনদা তোংখি। মসিগা লোয়ননা এ.পি.জে. অবন্দুল কলামগী হেক মথংদা সবমেরিন তোংবা রাস্ত্রপতি মহাকা অনিশুবা ওইরে। এ.পি.জে. অবন্দুল কলামনা ২০০৬ তা বিশ্বখাপতনমদা সবমেরিন তোংখিবনি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা করৱার নেভেল বেজতা হেক থুংলবদা করনাতক্কী রাজ্যপাল-থৱরচান্দ ঘেলোটনা মহাকপু তরামা ওকখি। রাস্ত্রপতি মুরমু গৱা, করনাতক অমসুং ঝরখন্দগী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা হৌজিক লৈরি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ) না অনা লায়েংগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইরবা থবক কয়া তৌরি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসি অহমেদবাদতা পাঙথোকখিবা আই.এম.এ. নেটকোন-২০২৫ দা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-

আয়ুমান ভারত য়োজনানা লৈবাক অসিদা চাউনা অওনবা পুরক্লে। শ্রী সাহ্না ঙসি অহমেদবাদ ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসননা শাবা এস.জি. হায়ৱে পাইলোট প্রোজেক্ট অমসুং দ্রেনেজ পাইপ লাইনগী অহানবা ফেজসু শঙ্গাখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-টি.সি.এম.দি.সি. থোংজনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু-লালাম্বুংবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা
ওস্কার পাউনা বজারনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা-কে.সি.বি.ও. কোংপালনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ইম্ফালগী ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এম.পি.এস.সি. মনিপুর সেন্ত্রেল জেলনা অগদো-খাঙবোকপু রন-৪৯ দা থোইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা পি.সি.সি. ময়াই কোইবী অমসুং রুল-মৈত্রম শান্নখিবা মেটচতা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোলঃ** মটা পান্থোইবী এসোসিয়েসন-থৌনাওজমনা শিনদুনা অহুমলকশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ষ্টেট লেবেল মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী ককচিং জিলাগী এম.পি.এ. থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মোহেন এফ.সি. ৱাংঙুনা লাংমৈদোং মমাং লৈকাই

সিটিজন্স ক্লবপু পাঙ্গল ২-০ দা থোইখ্রে। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৬ না শরুক য়ারি।